১৬শুবা টি ঐচ রধামনি মেমোরিএল ফষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এল এফ সী লুংগ্রাইজাংনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শীন্দুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৮দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথরকখিবা ১৬শুবা টি ঐচ রাধামনি মেমোরিএল ফষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনখিবগা লোয়ননা এল এফ সী লুংগ্রাইজাংনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

টিম তরুকনা শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোক্লগা পাঙথোকখিবা ১৬শুবা টি ঐচ রাধামনি মেমোরিএল ফষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা জিরিবাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন ব্রজকান্ট, টি ঐচ রাধামনি মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী দোনর টি জয়কুমার অমসুং জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল রঞ্জিৎ কুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টি ঐচ রাধামনি মেমোরিএল ফষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি এল এফ সী লুংগ্রাইজাং অমসুং ঈচেল ক্লব দিবোং লম্বা তৌনখি। টাইটল লৌনবগীদমক মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। এল এফ সী লুংগ্রাইজাংনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা ঈচেল ক্লব দিবোংনা বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরক্লবসু গোল চন্নদনা মেচ অদু ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী ৪৫শুবা মিনটতা এল এফ সীগী জিয়ামৈনা গোল অমা চন্দুনা একাউন্ট হাংদোকখি। ঈচেল ক্লবকী মায়কৈদগী মেচকী ৪৮শুবা মিনটতা ফিলিপসনা এল এফ সীগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা ১-১দা লৈহনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী টাইব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা এল এফ সী লুংগ্রাইজাংনা ঈচেল ক্লব দিবোংবু গোল ৫-২দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইখি। মকোক মথং তাখ্রবশিংদা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিংনা মনা য়েন্থোকখি।

অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল এম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯

# অহানবা মেচতা বি এল এম ঈ সী-এ লাইকোননা ঈ ৱাই দব্লিয়ু ও বামোন কম্পু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উচেকোন তাখোক মপালদা লৈবা দি পাওনা মেমোরিএল ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহানবা মেচতা বি এল এম ঈ সী-এ লাইকোননা ঈ ৱাই দব্লিয়ু ও বামোন কম্পু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৪৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ১৪ থোক্না খাইদোক্তুনা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল মোইরাংথেম কুঞ্জো সিংহ মেমোরিএল ফোর মেন সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী মেম্বর সেরাম নিকেন পাওনা মেমোরিএল ক্লবকী প্রসিদেন্ট সনসম সোভা অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল সুপরিটেন্দেন্ট ওফ পুলিস (ওপস) কে কুমারজিৎনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

সোকর টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা গ্রুপ বিগী বি এল এম ঈ সী-এ লাইকোন অমসুং ঈ ৱাই দব্লিয়ু ও বামোন কম্পু শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চন্নবা এটেক কয়া চখনরবসু মায়কৈ অনীমক্তগী এটেকশিং অদু নিংথিনা দিফেন্দ তৌনখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মেচ অদু গোল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা গোল চন্নদনা লাক্লবসু মায় পাক্নবগীদমক য়াঙনা শান্নরকপা হৌনরকখি। মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা বি এল এম ঈ সী-এগী জর্সি নম্বর ৮ থোকচোম মেঘজিৎনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা বি এল এম ঈ সী-এ লাইকোন্না গোল ১-০দা মায় পাকখি।

৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কংলা এফ সী মায় পাকখ্রে, মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএন এস)ঃ দি পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) না শীন্দুনা পুংদোংবমগী শান্নবুংদা থা অসিগী ২৮ ফাওবা চথগদৌরিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা কংলা এফ সী মায় পাকখ্রে। অদুগা মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা লীগ রাউন্দ বেসিসতা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা পুপু কপ ষ্টেট লেভেল অন্দর-১৭ নাইন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী কে এফ সী খুরাই অমসুং এম এস এস পুংদোংবম শান্নখিবা মেচ অদু গোল ১-১দা দ্রো চৎখি। কে এফ সীগী গোল অদু নৱাজ সহানা মেচকী ৮শুবা মিনটতা অমসুং এন এস এসকী গোল অদুনা প্রবিন্না মেচকী ৪৩শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী কংলা এফ সী অমসুং সুরমা এফ সী ৱাংজিং লম্বা তৌনখি। মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা কংলা এফ সীনা সুরমা এফ সীবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি। কংলা এফ সীগী গোল অদু বিপিনচন্দ্র অমদি থানিলনা চনখি। অদুগা সুরমা এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা ঙাম্থোইনা চনখি।

৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# ৱাই এস এ, পি জে পি সী অমসুং ৱাই এম সী-বি মায় পাকখ্রে, কাকা এফ সী অমদি লমলাই এফ সী গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএন এস)ঃ ৱাই এম সী হরাওরৌনা শীন্দুনা ৱাই এম সীগী শান্নবুংদা ঙরাংদগী হৌদুনা চথরিবা ৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ৱাই এস এ চীংখু, পি জে পি সী পুখাও অমসুং ৱাই এম সী-বি হরাওরৌ মায় পাকখ্রে। অদুগা কাকা এফ সী পাঙ্গৈ অমদি লমলাই এফ সী গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্না খাইদোক্লগা পাঙথোক্লিবা ৮শুবা হরাওরৌ ত্রোফি ভিলেজ ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী ৱাই এস চীংখু অমসুং আর এফ সী তাঙ্খম লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা ৱাই এস এ চীংখুনা আর এফ সী তাঙ্খম্বু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু ৱাই এস এনা গোল ৩-০দা মায় পাকখি। ৱাই এস এগী পায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ কে ইনাওতোন্না মেচকী ১০শুবা, জর্সি নম্বর ৫ এন জোসিনা মেচকী ২০শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৪ য়ু কিযন্না মেচকী ৩২শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী ঈ য়ু এস সী তেলৌ অমসুং পি জে পি সী পুখাও শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপদগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীনা মায় পাক্নবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা বোল কাওনখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা পি জে পি সী পুখাওনা ঈ এস য়ু তেলৌবু গোল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। পি জে পি সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এম রাজুনা মেচকী ৯শুবা, জর্সি নম্বর ৩ এন সনাথোইনা মেচকী ১৮শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১২ এল নাওবনা মেচকী ২০শুবা মিনটতা চনখি। মায়থীহৌরবা ঈ য়ু এস সী তেলৌগী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ এন জি জিটেন্না মেচকী ৪শুবা অমদি ২৫শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী ৩শুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী কাকা এফ সী পাঙ্গৈ অমসুং লমলাই এফ সী শান্নখি। মেচ অদু গোল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

লীগ রাউন্দগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী ৪শুবা অমদি অরোইবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী ৱাই এম সী-বি হরাওরৌ অমসুং ঙম্বা এফ সী হুইদ্রোম শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই এম সী-বিনা গোল ৫-২দা মায় পাকখি।



৩শুবা ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন মেমোরিএল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# অমোফা একাদেমি-এ অমসুং এস এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৪ (ঐচএন এস): অমোফা একাদেমি মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথরিবা অহুমশুবা ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন মেমোরিএল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা অমোফা একাদেমি-এ অমসুং এস এফ সী শুগুনু মায় পাকখ্রে।



টিম ৮না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ঐচ বিরো এন্দ ব্রোজেন মেমোরিএল অন্দর-১৩ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী অমোফা একাদেমি-এ অমসুং আইদিএল ক্লব শুনু সিফাই লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা অমোফা একাদেমি-এনা য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু গোল ৮-০দা মায় পাকখি। অমোফা একাদেমি-এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ ইরাকান্তনা মেচকী ৩শুবা, ৮শুবা, ২৮শুবা অমদি ৪৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৪ চল্লগা হেটট্রিক লৌখি। জর্সি নম্বর ৭ শ্রীনিভাসনা মেচকী ৪০শুবা, জর্সি নম্বর ৬ লালবোয় কিপজেন্না মেচকী ৪৬শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ রাজনা মেচকী ৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি।

ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এস এফ সী শুগুনু অমসুং টি য়ু সী থাঙ্গ লৱাই শান্নখি। মেচ অদু এস এফ সীনা টি য়ু সীবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা গোল ৭-০দা মায়থীবা পীখি। এস এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ ঙোঙোনা মেচকী ২৮শুবা, ৩৪শুবা, ৫৫শুবা অমসুং ৬০শুবা মিনটতা গোল ৪ চন্দুনা হেটট্রিক লৌখি। অদুগা জর্সি নম্বর ১০ রিক্সন্না মেচকী ১৭শুবা অমসুং ৪৭শুবা মিনটতা গোল অনী অমদি জর্সি নম্বর ২২ বিকাসনা মেচকী ১৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী অহুমশুবা মেচতা মঙলেম্না এ আর ৱান, শ্যামনা এ আর টু অমসুং খেলেননা ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮

# এম পি এস সী, বি এম এস সী তাওবুংখোক, এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচএন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ) না শীন্দুনা তাওবুংখোক মখা লৈকায়দা লৈবা বি এম এস সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম পি এস সী, বি এম এস সী তাওবুংখোক অমসুং এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই মায় পাকখ্রে।

টিম ৬না শরুক য়াদুনা লীগ রাউন্দ বেসিসতা চথরিবা ১৯শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা এম পি এস সী মণিপুর পুলিস অমসুং ৱাই দি ও ক্বাকৈথেল হৈনৌ খোঙনেম্বী শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এম পি এস সীনা ৱাই দি ওবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি। এম পি এস সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু টি ঐচ কিরন্না মেচকী ২৮শুবা, গোলমৈনা মেচকী ৩৩শুবা, উমাকান্তনা মেচকী ৭৪শুবা অমদি ৱাই দি ওগী এস বাবুলনা মেচকী ১৬শুবা মিনটতা ওন গোল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা ৱাই দি ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এন ওলেন্না মেচকী ৬৮শুবা মিনটতা চনখি।

লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.১৫ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা বি এম এস সী তাওবুংখোক অমসুং এন সী ক্লব খোঙহাম্পাৎ শান্নখিবা মেচ অদু বি এম এস সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি। বি এম এস সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু দব্লিয়ু পাইলোৎনা মেচকী ১২শুবা অমসুং পি আনন্দনা মেচকী ২৮শুবা মিনটতা চনখি।

সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী লীগ রাউন্দগী ৯শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দদা সী ঐচ আই কে এল লিলোং চজিং অমসুং এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাই শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস কে ৱাই সীনা গোল ২-০দা মায় পাকখি। এস কে ৱাই সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু এন জি বিশ্বরজিৎনা মেচকী ৩৮শুবা অমসুং ৫৭শুবা মিনটতা চনখি।

# স্পোন্টেনিয়স এসোসিএসন ওফ জম্প রোপ মণিপুরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস)ঃ মহারাষ্ট্রগী নাসিক্তা থা অসিগী ৫দগী ৮ ফাওবা নুমিৎ ৪নি চূপ্না জম্প রোপ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা ১৫শুবা সব জুনিয়র নেসনল জম্প রোপ চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯দা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী জম্প রোপকী মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুর জম্প রোপকী শান্নরোয়শিং অদুদি মককময়ূম রুকিয়ানা নুপী কাঙলূপকী চহী ১৪ মখাগী সিঙ্গল রোপ ইন্দুরেন্স থ্রী মিনট ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমসুং নুপী কাঙলূপকী চহী ১২ মখাগী সিঙ্গল রোপ স্পিদ থার্টি সেকেন্দ ইভেন্টতা অজিমা রহমন্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয় অনী অসিবু স্পোন্টেনিয়স এসোসিএসন ওফ জম্প রোপ মণিপুরনা হরাউবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

কুমজা ২০১৯-২০দা স্পোন্টেনিয়স এসোসিএসন ওফ জম্প রোপ মণিপুরনা শীন্দুনা ১৬শুবা জুনিয়র নেসনল জম্প রোপ চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মোহম্মদ সহিদ অহম্মদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফৌবাকচাওদা লৈবা ফৌবাকচাও অৱাং লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (পি এ এল ৱাই দি এ) না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা অহানবা লেট এলাংবম পিশক সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানীংবশিংনা অকূপ্পা মরোল এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এস হেমো (৮৪১৩০৬২০০১) দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

HL-P/2433/8-31-2,4 feb (alt)




HL-P/2795/22Dec.to29 jan.




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com